হুইয়েন লানপাউ

Refreshingly Reliable

The messenger of the masses

খুমজি (লুখম্বী) কৈথেল কম্যুনিটি হোলদা পাঙথোকখিবা ক্রোপিং সিষ্টেম বেজ ট্রেনিং অমদি ক্লষ্টর দেমোন্সট্রেসনগী প্রোগ্রামদা লৌমীশিংদা স্প্রেয়র পম্প পীবা

লামায় ১

য়ুনান ষ্টেট ফামর্স এগ্রো বিজিনেস গ্রুপ কম্পেনি লিমিটেদকী চীফ ইন্টরনেসনল বিজিনেস ওফিসার তাং সাং জনগা মিনিষ্টর টি ঐচ বিশ্বজিৎকা উনবা

লামায় ৩

ওজা ১৭৮৬ রেগ্যুলরাইজ তৌবগী ওর্দর থোকউ হায়বা দিমান্দ তৌরদুনা ওল মণিপুর ইলিমেন্টরি স্কুল টিচর্স এসোসিএসনগী লমজিং মখাদা ওজাশিংনা প্রোটেষ্ট তৌবা

লামায় ১

মালেমগী ৩শুবা য়োগ নুমিৎ থৌরমগা মরী লৈননা খোংমন্দা লৈবা য়ুনাকো স্কুলগী মহৈরোয়শিংনা য়োগ আশন শান্নবগী শক্তম

লামায় ৪

Vol. 41, Issue No.089 | শগোলশেন, ইঙা ২৮ নি পানবা | অপুনবা লামায় মশিং ১২ | HUEIYEN LANPAO, | Thursday, June 22, 2017, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 4.50

অ ঈং-অশাগী পাউ

মফম	খ্বাইদগী শাবা	খ্বাইদগী ঈংবা
বিষ্ণুপুর	এন এ °C	এন এ °C
চান্দেল	৩০.৪১ °C	২৫.০০ °C
সীসীপুর	এন এ °C	এন এ °C
ইম্ফাল	৩০.৫৯ °C	২২.৪১ °C
সেনাপতি	২৮.৫৭ °C	২০.২৯ °C
তমেংলোং	এন এ °C	এন এ °C
থৌবাল	৩০.৪৬ °C	২২.২১ °C
উখ্রুল	২১.৬৪ °C	১৬.৩৭ °C
মণিপুর	৩১.৫৮ °C	১৬.৩৭ °C

মণিপুরগী নোংজুগী চাং : ১.৩০ এম এম
নুমিৎ থোকপা : অয়ুক পুং ৪.২৬
নুমিৎ তাবা : নুংথিল পুং ৬.০৭
দিরেক্টোরেট ওফ ইনভাইরোনমেন্ট,জি ও এম

থাউগী মমল

ইম্ফাল ইষ্ট অমসুং ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট

পেট্রোল : লিটরদা লুপা ৬২.৮৮
দীজল : লিটরদা লুপা ৫২.৩৪

ইম্ফাল থাদোক্লগনি

ইম্ফাল, জুন ২১ : ইন্দিয়াগী প্রসিদেন্টকী মীখলদা বি জে পিনা পুথোক্লিবা মীরেপকী নোমিনেসন ফাইল তৌবদা শরুক য়ানবগীদমক চীফ মিনিষ্টর নোংথোম্বম বিরেন হয়েং ন্যু দিল্লিগীদমক ইম্ফাল থাদোক্লগনি। থা অসিগী ২৩দা বি জে পিগী মীরেপ রাম নাথ কোবিন্দগী মীরেপ চে পীশিনবা য়াওরবা মতুং মথংগী নুমিত্তা ইম্ফালদা হল্লক্কনি। মীরেপ চে পীশিনবদা শরুক য়ানবা ঙসিসু বি জে পিগী এম এল এ ১০ ইম্ফাল থাদোকখ্রে।

মনা য়েন্থোক্লগনি

ইম্ফাল, জুন ২১ : ডা. হৈগ্রুজম ইবোতোম্বী মেমোরিএল ট্রষ্ট, তৌবুলনা চহী খুদিংগী খুঙ্গং মাপনদা লৈবা হায় স্কুল অমদি হায়র সেকেন্দরি স্কুলদা ক্লাস টেন অমসুং টুৱেল্বকী এগজামিনেসন্দা মার্ক ৱাংনা ফংলকপা মহৈরোয় ৩/৩দা পীদুনা লাকপা মনা কুমসি চহীগী ওইনসু লাক্লিবা জুলাই ২, নোংমাইজিং নুমিত্তা লান্থোক্লগনি। খুঙ্গং মাপন অদুদি তৌবুল, খোইজুমান, ...মখা লামায় ৩ কলম ২

FOREX (INDIA RUPEES)

FOREX NAME	INDIAN RUPEE
Euro	71.905576
US Dollar	64.508569
British Pound	81.901963
Australian Dollar	48.793554
Chinese Yuan Renminbi	9.448615
Japanese Yen	0.57832
Malaysian Ringgit	15.041977
Norwegian Krone	7.559356
Singapore Dollar	46.407932
South Korean Won	0.056496
Swedish Krona	7.362387
Turkish Lira	18.287579
Myanmar Kyat	0.04696
Bangladesh Taka	0.79986

Spot Gold (24K) Rates/10gm

Chennai	–	Rs	29486.63
Mumbai	–	Rs	30064.17
Delhi	–	Rs	29946.52
Kolkata	–	Rs	29967.91

গ্যাসকী পাউ লামায় ৩দা ফংবিগনি

HL POLL

Q : Wireless set amasung repeater leibagi wathok asi leingakna achumba puthokpa ngamgani khanbra?

POLL CLOSES AT MIDNIGHT

Yes ☐ No ☐

Vote thadanabagidamak www.hueiyenlanpao.com da visit toubiyu

NGARANG GI RESULT

Q : Chief Minister N Biren na luchingba tha 3 hellaklaba leingak asi adumak fei haina louba yabra?

Yes 76% No 24%

অস! লোইরেহে!

য়োগগী নুমিৎসি নুংতিগী ওইরদি ঐখোয় ফরক তানিসে...!



মীয়াম মাঙদা ফজদনা তৌবনি...!

লৈঙাক্কী নুমিৎ ১০০গী প্রোগ্রাম চীফ মিনিষ্টর বিরেননা য়েংশিনখ্রে

ইম্ফাল, জুন ২১(ঐচ এন এস) :

বি জে পিনা লূচিংবা চুংশিন্নবা লৈঙাক্না থবক পায়রকপা নুমিৎ ১০০ নকশিল্লকপগা লোয়ননা চীফ মিনিষ্টর নোংথোম্বম বিরেননা হন্দ্রেদ দেজ প্রোগ্রামগী মখাদা লৈঙাক্না পায়খৎলিবা তোঙান তোঙানবা শেমগৎ শাগৎপগী থবক থৌরমশিংগী ফীভম য়েংশিনখ্রে।

পায়খৎকদবা থবক অয়াম্বা লোইশিল্লক্লে অমসুং খরদি থবক্তা ওন্থোকপা ঙম্লে হায়না মরী লৈনবা মিনিষ্টর অমসুং কম্মিস্নারশিংনা পাউ দম্লকপদা চীফ মিনিষ্টরনা অপেনবা ফোঙদোকখি।

ঙসি পাঙথোকখিবা রিভিয়ু মিটিংদা হেল্থ এন্দ ফেমিলি ৱেলফেয়র, লো এন্দ লেজিসলেটিব এফেয়র, আর্ট এন্দ কলচর অমসুং কাদাগী মিনিষ্টর এল জয়ন্তকুমার; কঞ্জুমর এফেয়র্স, ফূদ এন্দ পব্লিক দিষ্ট্রিব্যুসন, ৱেথ এন্দ মিজর, রেভিন্যু, রিলিফ এন্দ দিজাষ্টর মেনেজমেন্ট মিনিষ্টর করাম শ্যাম; মাহুদ, টাউন প্লানিং, ফোরেষ্ট এন্দ ইনভাইরোনমেন্ট, হোর্টিকলচর এন্দ সোইল কঞ্জার্ভেসন মিনিষ্টর টি ঐচ শ্যামকুমার; আই এফ সী অমসুং য়ুথ এফেয়র্স এন্দ স্পোর্টস মিনিষ্টর লেটপাও হাওকিপ; পি ঐচ ঈ অমসুং প্রিন্টিং এন্দ ষ্টেসনরি মিনিষ্টর লোসি দিখো; সোসল ৱেলফেয়র অমসুং কোওপরেসন মিনিষ্টর নেমচা কিপগেন; এদমিনিষ্ট্রেটিব সেক্রেটরিশিং অমসুং তোঙান তোঙানবা দিপার্টমেন্টশিংগী দিরেক্টর পুন্নমক শরুক য়াখি।

চীফ মিনিষ্টরনা হৌজিক পায়খৎলিবা প্রোজেক্ট খুদিংমক্কী ষ্টেটস রিপোর্ট অমমমতা ওইনা য়েংশিনখিবগা লোয়ননা মরী লৈনবা ওফিসলশিংদা থা অসিগী মনুংদা মপুং ফানা লোইশিন্নবা খঙহনখি।

নুমিৎ খরনিগী মনুংদা মীয়াম্না মণিপুর ষ্টেট ট্রান্সপোর্ট অমদি আই এস বি টি মথৌ তৌবা; পাউনা কৈথেল, থাঙ্গাল কৈথেল, জেনিমস কমপ্লেক্স, ওল্ড সেক্রেটেরিয়েট অমদি ন্যু সেক্রেটেরিয়েটনচিংবা পব্লিক এরিয়াশিংদা লেম্না ইন্টরনেট ৱাই-ফাই সার্বিস ফংহনবা; রুরেল মোবাইল হেল্থ ক্যের য়ুনিট অনী হাংদোকপা; বিল্ডিং অমদি কন্সট্রক্সন ৱার্কর ৬,০০০তা ৱেলফেয়র বেনিফিট য়েন্থোকপা অমদি অতৈ শেমগৎ শাগৎপগী থৌরাং কয়া শোয়দনা উবা ফংলগনি হায়না থাজনরি।

লৈঙাক্না নুমিৎ ১০০নিগী মনুংদা পায়খৎকদবা থবক থৌরমশিংগী মনুংদা হৌজিক ফাওবদা মায় পাক্না পায়খৎখ্রবা থৌরাংশিংগী অকুপ্পা ৱারোল য়াওবা তোঙান তোঙানবা বুকলেটশিং মরী লৈনবা দিপার্টমেন্টশিংদা পুথোক্নবা চীফ মিনিষ্টরনা এন বিরেননা খঙহনখি।

থা অসিগী মনুংদা মপুং ফানা পায়খৎকদৌরিবা থৌরাংশিংগী মনুংদা মণিপুর জর্নেলিষ্ট ৱেলফেয়র ফন্দ লোঞ্চ তৌবা; স্কুল ৫০ (এস এস এগী মখাদা ৪১ অমসুং আর এম এস এগী মখাদা ৯);...*মখা লামায় ৩ কলম ৭*

মালেমগী য়োগ নুমিৎ মণিপুরদসু পাক শন্না পাঙথোক্লখ্রে

পূক্নিং, ৱাখল শেংনা লৈরবদি ৱাখল তানদবা অমত্তা লৈরোই : সী এম

ইম্ফাল, জুন ২১(ঐচ এন এস) :

মালেমগী অতৈ মফমশিংদা পাঙথোক্লবগুম ঙসি মণিপুরগী তোঙান তোঙানবা মফম কয়ামরুমদসু অহুম্লকশুবা মালেমগী য়োগ নুমিৎ থৌরম পাঙথোক্লখ্রে। কুমসিগী থৌরম অসি পাঙথোকপগী নুংগী ৱাখল্লোনদি *হকশেলগীদমক য়োগ* হায়বসিনা ওইখি।

মপুং ওইবা থৌরম ইম্ফালগী খুমন লম্পাক্তা লৈবা ইন্দো ষ্টেদিয়মদা য়ুনিয়ন হ্যুমেন রিসোর্ছ দিভলপমেন্ট মিনিষ্টর প্রকাশ জাবদেকর অমসুং চীফ মিনিষ্টর নোংথোম্বম বিরেন শরুক য়াদুনা পাঙথোকখি। থৌরম অদুদা হেল্থ এন্দ ফেমিলি ৱেলফেয়র মিনিষ্টর এল জয়ন্তকুমার, ফোরেষ্ট এন্দ ইনভাইরোনমেন্ট মিনিষ্টর টি ঐচ শ্যামকুমার, সোসল ৱেলফেয়র মিনিষ্টর নেমচা কিপগেন, আই এফ সী মিনিষ্টর লেটপাও হাওকিপ, পার্লিয়ামেন্টরি সেক্রেটরিশিং, চীফ সেক্রেটরি ও নবকিশ্বর, দি জি পি, এল এম খৌতে অমদি সিবিলগী মকোক থোংবা ওফিসল কয়ামরুমসু শরুক য়াখি।

মালেমগী লৈবাক ১৯০দা ঙসি য়োগগী শাজেল তৌখিবগুম মণিপুরদসু য়ুনিয়ন মিনিষ্টর প্রকাশ জাবদেকরনা লূচিংদুনা য়োগগী তোঙান তোঙানবা আশনশিং শান্নখি। থৌরমদুদা লন্নাই মীওই ১৫০০ হেনবনা শরুক য়াখি।

থৌরমদুদা ৱা ঙাঙলদুনা য়ুনিয়ন মিনিষ্টর জাবদেকরনা হায়খি, মীয়াম্না থৱায় য়াওনা নুমিৎ অসিদা থৌরম পাঙথোকপনা নুমিৎ অসিবু মায় পাকহনবা ঙম্লে হায়না লৌবা য়াই। মালেমগী মফম কয়ামরুমদা য়োগ শান্নরকপনা মশান্না অসি পূক্নিং, ৱাখল অমসুং হকশেলদা হেন্না নীংথিনা ৱাখল তারকপগী খুদমনি। নুমিৎ অসিবু লৈবাক ময়াম্না শৌগৎলকপা হায়বসি ইন্দিয়াগী ওইনা অমসুং নরেন্দ্র মোদিনা লূচিংবা লৈঙাক্কী অচৌবা মায় পাকপা অমনি। মীয়াম্না য়োগদা শরুক য়াবা অসুম অসুম হেনগৎলক্লি অমসুং মালেম পুম্বদা পাম্নবা হেনগৎলক্লিবা অসি লৈবাক অসিনা মালেমসিদা পীবা খুদোলনি।

থৌরমদুদা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা হায়খি, মালেমদা তংদু লৈতাদবা ফীভম অমা লাক্লবা মতমদা নরেন্দ্র মোদি কৌবা মীওই অমা থোরকপদগী মালেম পুম্বদা পূক্নিং, ৱাখল ঈংথনা লৈহন্নবগীদমক য়োগ শান্নবা হৌহনখি। মীওইবনা পূক্নিং ৱাখল শেংনা লৈরবদি খুন্নাইসিদা অকায়-অতোয় থোকহন্দবা অমদি ৱাখল ...*মখা লামায় ৩ কলম ৪*

থবক্তগী পোথারবা তুংদা ফংফম থোকপশিং ফংহন্দবগী ৱাকৎখ্রে

ইম্ফাল, জুন ২১(ঐচ এন এস) :

গভর্ণমেন্টকী থবক তৌরম্বা মীওইশিংনা মতম লোইরদুনা থবক্তগী পোথারবা মতুংদা ফংফম থোকপা খুদোংচাবশিং ফংহনবীদ্রে হায়বগী মতাংদা ৱাকৎ অমা লাক্লে। কনাগুম্বা মীওই অমনা থবক্তগী পোথারবা মতুংদা লিভ সেলরি এনকেসমেন্ট অমদি গ্রুপ ইন্স্যুরেন্স স্কিমনচিংবা ফংফম থোকপনি। অদুবু মমাঙ চহীগী দিসেম্বর ৩১ ফাওবা মণিপুরগী দিরেক্টর জেনরেল ওফ পুলিসকী সিনিয়র কনফিন্দেসল এসিস্টেন্ট ওইনা থবক তৌরম্বা মীওই অমনা থবক্তগী পোথাবা থা ৬ ফারবা ফাওবা ফংফম থোকপশিং ফংহনবীদ্রে হায়না চীফ সেক্রেটরিদা ৱাকৎখি।

থাংমৈবন্দ য়ুম্নাম লৈকায়দা লৈবা কে ঐচ শামুঙৌ কৌবা অমনা চীফ সেক্রেটরিদা অইবা চেরোল পীদুনা ৱাকৎখ্রবা মতুংদা মথৌ তাবা পুন্নমক লৌখৎনবা খঙহল্লকপা লৈখ্রবসু তোঙান তোঙানবা দিপার্টমেন্টশিংদা পন্দুনা লৈরে হায়রি।

মরুওইনা ফাইনান্স দিপার্টমেন্টতা পন্দুনা লৈবদগী ফংফম থোকপশিং ফংবা ঙমদ্রবা মীওই অসিনা হৌজিক হৌজিক লৈঙাক্কী অচৌবা ফমথোল পায়রিবা মীওই খুদিংমকসু মতম অমদা থবক্তগী পোথারবা মতুংদা খুদোংচাদবা অসিমক চপ চানা মায়োক্ন রকপা য়াই...*মখা লামায় ৩ কলম ৬*

গোদাউনদগী চিংথোকখ্রগা য়েন্থোকখিদ্রবা চেঙ শিঙ্গৎহনখ্রে

ইম্ফাল, জুন ২১ (ঐচ এন এস) :

কোংগ্রেস লৈঙাক লৈরিঙৈ মতমদা কোন্থৌজম এ সীগী মীয়ামদা য়েন্থোক্লবগীদমক মতমদুগী ট্রান্সপোর্ট কন্ট্রেক্তর অমদি মতমদুগী এজেন্টশিংনা এফ সী এস গোদাউন্দগী চিংথোকখ্রগা মীয়ামদা য়েন্থোক্লমদবা চেঙ কুইন্টল ১৬৫০ অনৌবা লৈঙাক অসি লাকপদগী শিংগৎহনখ্রে।

হীরম অসিগা মরী লৈননা ঙসি কোন্থৌজম এ সীগী এম এল এসু ওইরিবা টুরিজমগী পার্লিয়ামেন্টরি সেক্রেটরিসু ওইরিবা ডা. সাপম রঞ্জনগী মমাংদা লৈরিবা কম্যুনিটি হোলদা নৌনা খল্লবা ফেয়র প্রাইস সোপকী এজেন্ট ১২ না শরুক য়াদুনা পাঙথোকখিবা পাউগী মীফম অমদা এল বিক্রমকুমারনা হায়খি, হৌখিবা

কোংগ্রেস লৈঙাক্কী মতমদা এ সী অসিগী ওইনা লৈরম্লিবা মীহুৎনা মীয়ামদা নেসনল ফুদ সিক্যুরিটি এক্তকী চেঙশিং নীংথিনা য়েন্থোক্লমখিদে। কুমজা ২০১৬ কী এপ্রিল থাদগী চৎনবা হৌখিবা নফসাগী চেঙশিং মীয়ামদা মপুংফানা ফঙহনবগী মহুত্তা চমন্নবা কয়া লৈরমখি। মীয়ামগী ফঙফম থোকপা চাকথুং অসিগী মতাংদা হদক্তা নৌনা এ সী অসিগী মীহুৎ ওইরক্লবা এম এল এ ডা. সাপম রঞ্জন্না মীৎয়েং চঙবীদুনা মীয়ামগী চাকথুং পরম চুম্না ফঙহন্নবা থবক পায়খৎলকখি। মদুদগী এ সী অসিগী মীয়াম্না ফঙফমদি থোকপা অমদি য়েন্থোকপীরমদ্রবা নফসাগী চেঙশিংগী মতাংদা মরী লৈনবা ওথোরিটিগা উন্নদুনা থিগৎলুবদা অশোয়বা অরানবা কয়া লৈরম্বা থেংনখি।

কুমজা ২০১৬ কী এপ্রিল, মে, জুন অমসুং ওগষ্ট থাগী চেঙগী চাকথুং অদু প্রাইওরিটি হাউসহোল্ড কার্দ পায়বশিংদা য়েন্থোক্লমখি। অদুমকপু হায়রিবা থাশিং অসিগী এ এ ৱাই কার্দ পায়বশিংদদি চেঙ অমত্তা য়েন্থোক্লমদবা থেংনখি। এ সী অসিগী ওইনা কুমজা ২০১৬ গী সেপ্তেম্বর, ওক্তোবর, নবেম্বর, দিসেম্বর অমসুং চৎলিবা চহী অসিগী জানুৱারি, ফেব্রুৱারি ...*মখা লামায় ৩ কলম ৪*

মপূন্সি চুপ্পা মীয়াৎ তারবা মীওই ১না হাৎপীরো হায়খ্রে

চেন্নাই, জুন ২১ (এজেন্সী) :

হান্নগী প্রাইম মিনিষ্টর রজিব গান্ধী হাৎখিবগী মরালদা মপূন্সি চুপ্পা মীয়াৎ তাদুনা চহী ২৭ কৈশুমশঙদা লৈরক্লবা ফাদোক অমনা মহাকপু হাৎপীরো হায়না টামিল নাদু গভর্ণমেন্ট অমদি দি জি প্রিজন্সতা অইবা চেরোল থাখ্রে।

রিপোর্ট অমগী মতুং ইন্না, শাংলবা চহী ২৭ কৈশুমশঙদা লৈরক্লবা রোবর্ট পায়স কৌবা ফাদোক অমনা অমুক হন্না কৈশুমশঙদগী থোক্তুনা মহৌশাগী পূন্সি মহিংদা হিংবা ফংগনি হায়বা থাজরক্তবদগী মর্সি কিল্লিং তৌবীনবা ষ্টেট গভর্ণমেন্টতা অইবা চেরোল থাদুনা হায়জখিবনি।

ওজাশিং চরা হেনবগী খোঙজং হৌখ্রে

ইম্ফাল, জুন ২১(ঐচ এন এস) :

মণিপুর লৈঙাক্না চহী অসিগী এপ্রিল ২৮দা রিক্যুজিট ক্বালিফিকেসন স্কেল ফংলবা ১৭৮৬ রেগ্যুলরাইজ তৌনবা ৱারেপ লৌখ্রবসু ঙসি ফাওবা ওর্দর থোরক্তবগী মায়োক্তা ওল মণিপুর ইলিমেন্টরি স্কুল টিচর্স এসোসিএসনগী লমজিং মখাদা ওজাশিংনা ঙসিদগী চরা হেনবগী খোঙজং চঙশিনবা হৌখ্রে।

মখোয়বু রেগ্যুলরাইজ তৌবগী ওর্দর থোকউ হায়বা দিমান্দদা খুয়াথোং পুখ্রি অচৌবা মনিং, ইম্ফাল ৱেষ্টকী জেদ ঈ ও ওফিসকী ময়াদা লৈবা কম্যুনিটি হোলদা ওজা নিপান্না চরা হেনবগী খোঙজংদা শরুক য়ারি।

ওজাশিং অদুদি চান্দেলদা লৈবা লিৱা চনিং গভর্ণমেন্ট হায় স্কুলগী ওজা এম জয়, মহাবলি রোংমৈ ভী পি এস-জোন-টুগী ওজা লাইময়ুম বসন্ত, মহৈশঙ অসিমক্কী ওজা শাশন্ত চক্রবর্তি, দেমেশ্বরী প্রাইমারী স্কুলগী ওজা কেবীসনা সিংহ, হৈঙাং ময়াই লৈকায় প্রাইমারী স্কুলগী ওজা সী ঐচ রাধেশ্যাম, ফোইজিং চীংনিং প্রাইমারী স্কুলগী ওজা টি ঐচ অতোম্বী, খোংমন মংজিন প্রাইমারী স্কুলগী ওজা এ ইন্দুবালা অমসুং নহারুপ প্রাইমারী স্কুলগী ওজা দল্লিয়ু সুনিতানি।

এসোসিএসন অসিনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, চীফ মিনিষ্টর, ফাইনান্স মিনিষ্টর অমসুং এদ্যুকেসন মিনিষ্টরগা এসোসিএসনগী মীহুৎশিংগা কয়ারক ফমিন্নদুনা থা ১০ তোলোপ ফংদবগী অমসুং পেন্সন চৎপা য়াদবগী অৱাবশিং পাউদমদুনা খঙহনখিবা লৈখ্রে। অদুবু লাইবক থীবদি নুমিৎ ৫৫নি শুরবা লৈঙাক্কী ৱারেপ্পু লৈঙাক অসিনা থবক্তা ওন্থোকপীদবা হায়বসি অৱাবগী মশকনি। হান্নগী চীফ মিনিষ্টর ও ইবোবীগী মতমদা অচুম্বা ওজা ১৭৮৬পু থবক্তী লৌথোক্লমখি অদুগা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা লূচিংবা লৈঙাক্কী কেবীনেটনা ওজাশিং অদুগী অৱাবা কোকহনখিবনি হায়রি।

অফবনি হায়জিল্লগা পোৎ য়োল্লম্বা মীওই মরি ফারে

ইম্ফাল, জুন ২১ (ঐচ এন এস) : শিংজমৈ পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা শিংজমৈ থোঙাম লৈকাইগী মফম খরদা ময়াং অহুম অমদি পাঙল অমা য়াওনা মীওই মরিনা অফবনি হায়জিল্লগা মতিক ময়াই চেন্দবা পোৎলম য়োনশিল্লম্লদগী মীয়াম্না ফারগা নমদুনা শেল হন্দোকহনখ্রে।

প্রেসনা ফঙবা পাউগী মতুংইন্না, স্কোর্পিও জীপ অমদা মপান লমদগী লাকপা ময়াং অহুম অমদি মণিপুরদগী পাঙল অমা য়াওনা মখোয় মরিনা অহোংবা মখলগী এল সী দিগী টেলিভিজন খ্বাইদগী ফবনি হায়দুনা মমল তাথরগা থোঙাম লৈকায়দা লৈবা মীওই অমদা ঙরাং য়োনশিল্লম্লনি। এল সী দি টেলিভিজন অদুগী মমিং অদু ইন্টরনেটতা য়েংলুবদা ব্রান্দেদ ওইদবা টেলিভিজননি হায়বা খঙলকখি হায়খি।

য়ুম্নু অদুনা নমথাক তৌরম্বা মীওইশিং অদু ফানবগীদমক্তা লুহোংবা অমগী টেলিভিজন উননবা লৈজগে হায়না টেলিফোন্দা নমথাক তৌরগা কৌরবা তুংদা মখোয় ঙসি শিংজমৈ পার্কিং ময়াদা মীয়াম্না ফাবনি। *মখা লামায় ৩ কলম ৭*

মতমগা চুনবা লৌউ পথাপ শীজিন্নদুনা পোথোক হেনগৎহন্নবা হোৎনরসি : সমুএল জেন্দাই

ইম্ফাল, জুন ২১(ঐচ এন এস) :

মতমগা চুনবা অনৌবা লৌউ-শিংউগী পথাপ শীজিন্নদুনা পোথোক হেনগৎহন্নবা হোৎনমিন্নরসি হায়না এম এল এ সমুএল জেন্দাইনা ঙসি তমেংলোং দিষ্ট্রিক্কী মনুং চন্না লৈবা খুমজি (লুখম্বী) কৈথেল কম্যুনিটি হোলদা পাঙথোকখিবা ক্রোপিং সিষ্টেম বেজ ট্রেনিং অমদি ক্লষ্টর দেমোন্সট্রেসনগী প্রোগ্রামদা ফোঙদোকখ্রে।

মিনিষ্ট্রি ওফ এগ্রীকলচর এন্দ ফার্মর ৱেলফেয়রগী স্পোন্সর মখাদা দিপার্টমেন্ট ওফ এগ্রীকলচর মণিপুরনা শীন্দুনা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা চীফ গেষ্ট ওইনা শরুক য়ারদুনা এম এল এ সমুএল জেন্দাইনা হায়খি, লৌউ-শিংউগী পোথোক হেনগৎহনবা হায়বসি লমদমসিগী য়াম্না মরুওইবা হীরম অমনি। লৈঙাক্নসু লৌমীশিংগী শেন্মীৎলোন ফগৎহন্নবা অখন্নবা মীৎয়েংগা লোয়ননা থবক কয়া পায়খৎলক্লি।

সবকা সাথ, সবকা বিকাশ হায়বা স্কিমগী মখাদা সেন্টরগী লৈঙাক্না থবক থৌরম কয়া লৌখৎলক্লি। মসিগী মনুং চন্না লৌউ-শিংউগী পোথোক হেনগৎহন্নবগী মীৎয়েং চঙলক্লি। কুমজা ২০২২ ফাওবদা লৌমীশিংগী শেন্মীৎলোন অসি দব্বল হেনগৎহন্নবা মীৎয়েং থল্লক্লি। থৌরাং অসিগী মখাদা এগ্রীকলচর দিপার্টমেন্টনা থবক থৌরম কয়াসু পায়খৎলক্লি।

মতমগা চুনবা লৌউ পথাপশিং শীজিন্নদুনা লৌউ-শিংউগী পোথোকশিং হেনগৎহনবা তঙাইফদে। লৌমীশিংগী শেন্মীৎলোন ফগৎহনবা হায়বসি পোথোক হেনগৎহনবগা য়াম্না মরী লৈনৈ। লৌউ-শিংউগী পোথোক হেনগৎহন্নবা হোৎনবা তঙাইফদে। লৈঙাক্না পায়খৎলক্লিবা স্কিমশিং নীংথিনা থবক্তা ওন্থোক্তুনা লৌউ-শিংগী লমদা খুমাঙ চাউশিনহন্নবা হোৎনবা চঙই।

তমেংলোং দিষ্ট্রিক্কী ওইনা লৌউ-শিংউগী থবক পায়খৎলকপা মতমদা ইরিগেসনগী থোইনা ৱানিংঙাই লৈতে। ৱরাক, ইরং য়াওনা ঈশিং মরাং কায়না লৈবা তুরেল মরি দিষ্ট্রিক্ট অসি ফাওরগা চেল্লিবনি। তুরেলশিং অসিদগী ঈশিং লৌরগা দিষ্ট্রিক্ট অসিগী ওইনা ইরিগেসনগী থবকশিং পায়খৎপা য়াগনি। লৌমীশিংনা মল্টিপল ক্রোপিং তৌদুনা পোথোক হেনগৎপা য়াবগী ওইথোকপা লৈরি। হীরম অসিগী মতাংদা মরী লৈনবা দিপার্টমেন্টনসু অখন্নবা মীৎয়েং চঙলি। *মখা লামায় ৩ কলম ২*

লাইশু অহুমশুবা অমসুং অশম্বা মণিপুর পুৱারী কৌবা লাইরিকশিং ফোঙখ্রে

খুন্নাইগী য়াইফনবা খনবা মী য়ামহন্নিংই : ইরিকখোম্বা

ইম্ফাল, জুন ২১ (ঐচ এন এস) :

লৈপাক কনবা অহল্লুপ (লৈকল্লুপ) না পুথোকপা *লাইশু অহুমশুবা* (মোরেল সাইন্স-থ্রি) অমসুং লৈকল্লুপকী লুচিংপুরেল নেপ্রম নুঙকাঙবা এলিয়জ বিহারিনা ইবা *অশম্বা মণিপুরগী পুৱারী* হায়না মীংথোনবা লাইরিকশিং ঙসি ফোঙখ্রে।

লৈকল্লুপনা শীল্লগা হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি হোলদা পাঙথোকখিবা লাইরিক ফোঙবগী থৌরম অদুদা দেইজ মেম্বর ওইনা শরুক য়াখিবা লৈকল্লুপকী সেনিয়র-মোষ্ট মেম্বর অমসু ওইরিবা রিটায়র্দ দেপ্যুটি দিরেক্তর ওফ এদ্যুকেসন (এস) সৌবাম ইরিকখোম্বা লুৱাংনা হায়খি, অফবা অনৌবা খুন্নাই অমা শেম্বদা খুন্নাইগী য়াইফননবা খনবা মী অদুক্কী মতিক মথৌ তাই।

খুন্নাই অসিবু চাউখৎহন্নবগীদমক খুন্নাই অসিগী য়াইফন্নবা খনবা মীগী মশীং য়ামহন্নিংই। লৈকল্লুপনা ঙসি হৌরক্লিবা মহৈরোয়শিংদা লৌশিং ফঙহনগদবা লাইরিকশিং ফোঙলিবা অসিনা খুন্নাই অসিগী মথৌ তাবা অৱাৎপা খরমখৈদি মেনখৎপা ঙম্লগনি খল্লি। মসিনা খুন্নাই অসিগী মখা তানা হৌরক্লিবা ...*মখা লামায় ৩ কলম ২*

LOAN AVAILABLE

ময়ল খুদিংগী অপাম্বা 2 , 3 and 4 Wheelers Loan
Service Loan
Pension Loan
Gold Mortgage
T.V./Laptop/A.C./Refrigerator Loan
হায়রিবা শিং অসি অরাইবা মওংদা অমসুং খুদক্তা লৌবগী খুদোংচাবা পীজরি ।

AREA COVERED:
Imphal East
Imphal West
Bishnupur

● 100% Free Processing (Vehicle Only)

IMPHAL FINANCE CO-OP. THRIFT AND CREDIT SOCIETY LTD.
H.O. Lokloobung B.O. Paona International Market & Bishnupur Bazar
Please log on http://www.imphalfinancesociety.in.

HL-P/1820/15-23

ঈ-পাঊজা মরী লৈনবশিংগী টেলিফোন নম্বর ০৩৮৫-২৪৪৫১০৬, এদভর্টিজমেন্টগীদমক০৩৮৫-২৪৪০৭৭১,২৪৪৫১০৪ অমসুং রিদরস ক্যের নম্বর +৯১-(০)-৯৭৭৪৮০৩১৪৫